**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন অমসুং শেন্থোক লৈনবা থবক পীবগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

২) সরকারনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা সনা, মোবাইল ফোন, চাকা অনি অমসুং মরি পানবা গাড়িশিং লেমা পীগনি হায়বগী ভিদিও অমা শন্দোরক্লিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি।

৩) লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ২০২৫ দা ভারতনা চেং পুথোকপগী চাং মেত্রিক টন কোতি ১৫ হেনবা ঙমলে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০১৪ দগী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা ভারতকী শান্নরোইশিংগী ফিভম লেপ্তুনা ফগৎলক্লি।

অমসুং

৫) ভেনিজ্যলাদা আমেরিকা লান্মীনা ওপরেসন চখুবগী মতাংদা খন্ননবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্কনি।

------

পান্থোইবী (এল)ঃ রাজ্য অসিদা থবক ফংবগী চাং হেনগৎহনবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা লোয়ননা শেল থুমগী লমদা পান্থোইবী হাউসিং

ফাইনান্স কম্পনি লিমিতেদনা লৌগদবা থৌদাং হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মণিপুরগী মশক নাইরবা রিছোর্স পার্সনশিং অমসুং নহাশিংগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরগী ওদিতোরিয়ম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসি পাইন্থোইবী হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিতেদ উরিপোকনা শিনবনি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা কম্পনি অসিগী চেয়ারমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্তর থোকচোম হেমো সিংহনা হায়- ইরমদম অসিগী শেনমিৎলোনগী ফিভমদা খম থেংনা অৱাবা মায়োকরিবা অসিগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা ইং ২০১৯ দগী হৌরগা রাজ্য অসিদা লনাইগী ওইবা প্রাইভেট ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুট কয়া লিংখৎলকপা অমসুং হায়রিবা ইন্সটিট্যুটশিং অসি মথং মথং কাইথরকখিবা, শেল থুমগী অৱাবা মায়োকরিঙৈ চৈরক্তা কোভিদ নাইন্তিন লান্থেংনখিবা, মসিদা নত্তনা চহি অনি হেল্লক্লবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভমদা চাউনা ফিভম শোকহল্লি।

রোবিন্দ্রো (এল)ঃ ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী মনুং চনবদা লৈবা চবুং কম্পনি, বেঙ্গুন, উচিৱা-ৱাংবল, ফৌবাকচাউ, কোমলাখোং, হিয়াংখোং লফুপাৎ তেরা অমদি খোরদাক্তা লৈবা ৱাটর সপ্লাইশিং ঙসি এম.এল.এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা পি.ঐচ.ই.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার লাইশ্রম কিরন সিংহ, একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ার অমসুং অতৈ ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এগী মাইকৈদগী লোইশিন্দনা লৈরিবা থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা চীফ ইঞ্জিনিয়ার অমদি কন্ট্রেক্তরশিংদা খঙহনখি।

এমেস্কো (এল)ঃ ইং ১৯৯৪ দগী হৌদুনা লেপ্তুনা পাঙথোরকপা থৌরমগী শরুক অমা ওইনাওল মণিপুর ইথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন (এমেস্কো)না কবুই ফুরুপকী গান ঙাই থৌরমদা পোৎ লান্নবগী থৌরম ঙসি লংথবাল খৌপুমদা পাঙথোকখ্রে। ওর্গনাইজেসন অসিগী চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী ওইনা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবা কাংলুপশিংগী মনুংদা

মশাগী নাৎ, চৎনবী কয়া য়োকখৎতুনা থম্বা ফুরুপশিংগী মরক্তা কবুই ফুরুপসু অমনি। লাইনিং লাইশোলগী ওইবা গান ঙাইগী থৌরম অসিদা এমেস্কোনা শরুক য়াদুনা ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইবা হৌখ্রবা পুৱারীগী ৱারীগী খোঙ্গুল লিমিন্নরি।

এমটিয়ু (এল)ঃ লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা মৈতৈশিংবু ভারত সংবিধানগী আর্তিকল ৩৪২ ক্লোজ ৱানগী মখাদা এস.টি লিষ্টতা চলহন্দুনা ঙাক শেনবীনবা মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না তকশিল্লক্লি।

যুনিয়ন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিং অমসুং তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোলশিংদা মৈতৈনা এস.টি লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা মীয়ামগী কেম্পেন পাক শন্না চখবা হৌরগনি।

ফোক্স (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মহৌশাগুম তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লকবা ঐখোয় খুদিংমকা অপুনবগী থৌদাং লৌমিন্নশি হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা থাজনবা ৱাৎলকপনা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনবা কয়া পীরি। ইং ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা খুনাইগী শেনমিৎলোনদা শোকহল্লক্তুনা রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংদা অৱাবা কয়া মায়োকদ্না লাক্লি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংবু মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহনবা অমসুং মখোয়গী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাং অমা লৈঙাকা অথুবা মতমদা পায়খৎপীনবসু চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।

ফোল্ক ডান্স (এল)ঃ থা অসিগী ৬ তগী হৌদুনা ৯ ফাওবা মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা পাঙথোক্কদৌরিবা রোল প্লে কম্পিতিসনদা শরুক য়ানবগীদমক প্রজা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই ৫ অমসুং ওজা অনি ঙসি ইন্ফাল থাদোকখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০১৪ দগী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা ভারতকী শান্নরোইশিংগী ফিভম লেপ্তুনা ফগৎলক্লি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ঙসি বরানাসিদা ৭২ শুবা নেসনেল ভোল্লিবোল তুরনামেন্ট হৌদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা ২০৩৬ কী ওলিম্পিক্স য়ুম্বু ওইনবা কন্না হোৎনরি। মহাকা হায়- মহাক্কী সরকারনা অওনবা কয়া পুরক্লে অমসুং নেসনেল স্পোর্টস গভর্নেন্স এক্ট অমসুং খেল্লো ভারত নিতি ২০২৫ গুম্বা শান্ন-খোৎনবগী লমদসু অওনবা কয়া পুরক্লে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী শান্ন-খোৎনবগী থৌওং অসি হৌজিক্তি এথলেটকী লমদনা হেন্না পুকিং চংলি। মসিনা ২০১৪ গী মতুংদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইগী মশিংসু শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি।

মহাক্কী সরকারনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা খঙদোকপা, বৈগ্যানিক ওইবা ত্রেনিং পীবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক পীজবা অমসুং শান্নরোই খনবদা লৌথুপ লৌকোই লৈতবগী থৌওংনচিংবা লমশিংদা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংলি। নুমিৎ ৮ নি চত্থগদবা তুরনামেন্ট অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১১ ফাওবা চত্থগনি। মসিদা শান্নরোই লিশিং ১ হেনবনা শরুক য়াগনি।

শিবরাজঃ লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- ২০২৫ দা ভারতনা চেং পুথোকপগী চাং মেত্রিক টন কোতি ১৫ হেনবা ঙমলে। আই.সি.এ.আরনা তোঙান তোঙানবা মখলগী মহৈ মরোং ২৫ গী অনৌবা ভেরাইতি ১৮৪ পুথোকগী থৌরমদা শ্রী চৌহান্না হায়- চেং পুথোকপদা ভারতনা চাইনাদগী মাংজিল থারে। মসিগা লোয়নন্না ভারত অসি মালেমগী ওইনা মপান লৈবাকশিংদা চেং থাদোকপা মরুওইবা লৈবাক অমা ওইবা ঙলে।

মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ দা মহৈ মরোংশিংগী অনৌবা ভেরাইতি লিশিং ৩,২০০ হেন্না পুথোকখ্রে। স্কিম খুদিংমক্কী কান্নবা লৈবাক শিনবা থুংবগী লৌমীশিংদা চহি অহুমগী মনুংদা য়ৌহনবা ঙমবা সরকারনা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ইসি ঃ  ইলেক্সন কমিসনগী ই.সি.আই. নেট এপপু হেন্না ফগৎহন্নবা কম্মিসননা মীয়ামগী মোত কৌরি।

যুনিফাইদ, দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা ই.সি.আই. নেট এপ অসি ভোটরশিংগী হেন্না খুদোংচানবা অমদি মীখলগা মরী লৈনবা ই-পাউশিং মীয়ামনা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা শেম্বনি। মীয়ামনা মখোয়গী মোত এপ অসিদা সবমিট এ সজেসনগী খুত্থাংদা থা অসিগী ১০ ফাওবদা পীখৎলকপা য়াগনি হায়রি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী মতুং ইন্না ই.সি.আই. নেট এপকী চাংয়েংদা চাউনা কান্নবা ফংহনখি হায়রি।

মাওইষ্ট ঃ  আইননা থিংখ্রবা মাওইষ্টকী মীওই ২০ হায়দ্রবাদতা তেলঙ্গানাগী দি.জি.পি. শিবধর রেদিদা খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজখ্রে।

মখোয়না তোঙান তোঙানবা মখলগী খুৎলায় পুন্না ৪৮, নোংমৈগী মরুশিং অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ২০ হেন্না  লোয়নরকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পিনা হায়-হন্দক সরেন্দর তৌরক্লিবা অসিনা সি.পি.আই. মাওইষ্টশিংদা চাউনা নিংহন্নবা পোকহল্লগনি। রিহেবিলিটেসন পেকেজগী শরুক অমা ওইনা পুলিসনা মখোয়দা পুন্না লুপা কোতি অমা লাখ ৮১ লিশিং ৯০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে অমসুং খুদক্কী তেংবাং ওইনা মীওই অমমা লুপা লিশিং ২৫-২৫ পীখি।

মোদি ঃ  সরকারনা হায়রি- পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা সনা, মোবাইল ফোন, চাকা অনি অমসুং মরি পানবা গাড়িশিং পীগনি হায়বা ভিদিও অমা শন্দোরক্লিবা অদু অরানবা যুম্ফম য়াওদবনি।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোগী ফেক চ্যেক যুনিতনা হায়- প্রধান মন্ত্রিনা অসিগুম্বা ৱাফম অমত্তা লাউথোকখিবা লৈতে। যুনিত অসিনা হায়- ভিদিও অদু এ.আইনা শেম্বা অমসুং শাশিন্নবনি। সরকারনা মীয়ামদা অসিগুম্বা লান্না পাউ শন্দোকপদগী চেকশিন্নবা অমসুং অচুম অরান থিদোকবা হায়রি।

ভেনিজ়্যেলা ঃ ভেনিজ্যলাদা আমেরিকা লান্মীনা ওপরেসন চখুবগী মতাংদা খন্ননবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্যুরিতি কাউন্সিলগী খুদক্কী ওইবা মীফম অমা হয়েং পাঙথোক্কনি।

কাউন্সিল অসিগী পার্মিনেন্ট মেম্বর নত্তবা লৈবাক অমা ওইরিবা কলম্বীয়ানা হায়জরকপদগী মীফম অসি কৌবনি। মীফম অসিবু পার্মিনেন্ট মেম্বরশিং চিনা অমসুং রাসিয়ানসু শৌগৎলি।

মরক অসিদা, ভেনিজ়্যেলাদা আমেরিকা লান্মীনা ওপরেসন চখুদুনা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি নিকোলাস মাদুরো অমদি মহাক্কী লোয়নবী ফাদুনা পুখিবগী থৌওং অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

রসিয়া, চাইনা, ইরান, ব্রাজিল অমসুং ক্যুবা য়াওনা লৈবাক কয়ানা আমেরিকাগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ভেনিজ়্যেলাগী নীংতম্বা অমদি অপুনবগী শক্তম কায়হন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

ভারতনসু ভেনিজ়্যেলাদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা কন্না নুনাংবা ফোংদোক্লি। চেরোল অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি। ভেনিজ়্যেলাগী মীয়াম্বু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা ভারতনা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়নসু ফোংদোক্লি। ৱাফম খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা শান্তি ওইনা লোইশিন্নবসু নিউ দিল্লিনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা হায়রি।

চাইনানসু আমেরিকাদা মখোয়না ফাজিনদুনা থল্লিবা ভেনিজ়্যেলাগী রাষ্ট্রপতি অমসুং মহাক্কী লোয়নবীবু থাদোকবা তকশিল্লি।

রুরেল ঃ রুরেল দিভলপমেন্ট মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি এক্ট (এম.জি-নরেগা) অসি শেঞ্জা থুমজাগী হৌরকফমগা পাংখক ওইরে। মসিদা শিন্মী কয়াবু নাথৈদুনা থমদুনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হক কয়া ফংহন্দ্রি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা ভিক্সিত ভারত রোজগার ওর আজিবিকা গেরেন্তি মিসন গ্রামিন (জি রাম জি) এক্ট কংগ্রেসনা

লৈবাক মীয়ামদা লান্না ডহন্নবা হোৎনরিহায়নসু মহাকা মরাল শিখি। মন্ত্রিনা হায়- কংগ্রেস দলনা এম.জি-নরেগাবু য়োকখৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা এক্ট অসিগী মরুমদা চথুরিবা শেঞ্জা থুমজা কয়া শৌগৎতুনা লৈরি। এম.জি-নরেগাগী অচৌবা শেনফম কাইথরবসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগী পল্লেপফম ওইবা য়াবা খোঙথাং অমত্তা পায়খৎপা ঙমদ্রি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- ভিক্সিত ভারত জি রাম জিনা মদুগী ওন্নবদা শিন্মীশিংগী য়াইফনবগীদমক নুমিৎ ১২৫ নি থবক পীবা, ফংফম থোকপা শেল মতম চোন্থনা পীবদা ইন্তরেষ্ট হাপ্পা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনগদৌরি।

মিসাইল ঃ অৱাং কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী মতাংদা খা কোরিয়াগী রাষ্ট্রপতিনা চাইনাদা ৱারী শান্নবা চৎখিবা পুং খরগী মতুংদা অৱাং কোরিয়ানা ঙসি সমুদ্রদা বেলিষ্টিক মিসাইল কয়ামরুম কাপ্লকপদগী জপান্না ইম্মরজেন্সি এলার্ট লাউথোকখ্রে।

খা কোরিয়াগী জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফনা চেরোল অমদা হায়- অৱাং কোরিয়াগী কোনুংদগী সমুদ্র তমা বেলিষ্টিক মিসাইল কয়ামরুম কাপ্লকপা থেংনখি। চেরোল অদুনা হায়- মিসাইলশিং অদুনা মাইল ৫৬০ রোম শান্না পাইরকখি অমসুং খা কোরিয়া অমদি আমেরিকাগী ওথোরিতিশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি এন্দ ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা- কে.এ.এস.সি খোমিদোকনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু রন ৪৭ তা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা এন.সি.এ নিংথৌখোংবু রন ১৫ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ হাওরৈবী নোর্দন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাওরৈবীদা চথুরিবা ৬ শুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি হৌদোকপগী মেটচতা ওল ষ্টার ক্যামগৈনা ঐচ.এন.এস.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। হয়েং সনা এফ.সি থৌবাল অমসুং লংথবাল এফ.সি অমদি খুরাই এফ.সি অমসুং মিলনজোই এফ.সি পুংদোংবম শান্নগনি।

এমএমএ ঃ অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদা মণিপুরবু মিক্স মার্সিয়েল আর্টস (এম.এম.এ)গী মরুওইবা মফম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা টিম বোনজোভি এম.এম.এ অমসুং ফিটনেসকী মীৎয়েং মখাদা রাজ্য অসিদা মণিপুর প্রাইদ এম.এম.এ: দ রাইজ ওফ ৱারিয়রস হায়বা এম.এম.এগী ফাইট ইভেন্ট অমা লাক্লিবা এপ্রিলগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি। ইভেন্ট অসি এপ্রিল অহুমদা এমেচর বাউটশিংনা হৌদোক্কনি। মসিগী তুংদা এপ্রিল মরিদনা প্রো ফাইট নাইট পাঙথোক্কনি।

রোল বোল ঃ চহি ১৫ মখাগী ওইনা রোল বোল শান্নরোই অমসং মহৈরোইশিংগী ওইবা রোল বোল কোচিং কেম্প অমা থা অসিগী ৮ দগী হৌদুনা ১৮ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী অকামপাৎতা লৈবা নৈলিট ইন্দোর বাস্কেটবোল হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রোল বোল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

সুত্তিং ঃ দিল্লিদা চথুরিবা ৬৮ শুবা নেসনেল সুত্তিং চেম্পিয়নসিপ কম্পিতিসনদা ঙসি লান্মী সুত্তর আজয় কুমারনা নুপাগী মিতর ১০ গী এয়ার পিষ্টোলদা সনাগী তকমান ফংলে।

------